ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Vol. 48, Issue No. 018 | শগোলশেন, শজিবু ১০নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, April 18, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### থা ১২ ফাজিল্লক্লবা মণিপুরগী লান

## পুলিস ১সুং সেন্ত্রেল ফোর্সনা ঙাক-শেনবা ঙমদবদগী খুল ঙাক্লক্লিবা ভোলন্টিয়রশিংবু ফাবা-পূনবা চত্থরে হায়না হায় কোর্টতা ব্রাকৎখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা মে ৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা চত্থরক্লিবা মণিপুরগী ফূরুপ অনীগী মরক্তা থোরক্লিবা ব্রাথোক অসিদগী মীতৈশিংবু অমসুং মখোয়গী খুলশিংবু স্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা ঙাকথোক্তুনা ঙাকপী-শেনবীবা ঙমদবদগী ভিলেজ ভোলন্টিয়রশিংনা মখোয় মশা-মশাবু ঙাকচবগী থবক চত্থরকপদা মখোয়বু লন্বীদগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা তম্পাক্কী মফমশিংদগী পুলিস অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা ফাবা-পূনবগী থবক চত্থরক্লে হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ব্রাকৎলকখ্রে।

ব্রাকৎ অসি মশামকসু লো প্রেক্টিস তৌরিবা থোংজু পার্ট টুগী কোইরৌ নেপ্রম লৈরক্তগী এদভোকেট কৈশাম কিশন (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে কদমনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী পিটিসন অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী খূথাংদা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা ওথোরিটি অমবু রেস্পোন্দেন্ট ওইহন্দুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

মহাক্না ফাইল তৌরক্লিবা ব্রাকৎ অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) নম্বর ৫ ওফ ২০২৪ ওইনা লৌখৎলবা মতুংদা ঙরাং চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুল অমসুং জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলশিল্লু কবুইগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরসু ওইরিবা এদভোকেট কে কিশন মশানা ব্রাকৎ অসিগা মরী লৈননা কোর্টতা সবমিসন তৌখি। কোর্টনা পিটিস্নরগী ব্রাফমশিং তারবা মতুংদা রেস্পোন্দেন্টশিংদা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা মেট্টর অসিবু মখা তানা খন্ননবা থা অসিগী ৩০দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি হায়রি।

পিটিসন অসিনা কোর্টতা ফোঙদোক্লিবনা মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং য়াওনা মীতৈশিংগী য়ূম অমসুং লাইশঙনচিংবা মৈ থাবা হৌরকখিবগা লোয়ননা ফূরুপ অসিগী মীওইশিংবু হাৎপা-তুপ্পা হৌরকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা চত্থরক্লিবা ফূরুপ অনীগী লান অসি এপ্রিল ২৮, ২০২৩দা চুড়াচান্দপুরদা ওপন জিম অমা মৈ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### কুকি মিলিটেন্টগী এটেক

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ মরূ ২ কাপশিল্লক্লবা মতুংদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদসু ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী পি এসনা কোনবা থম্নাপোকপীদা খুল অসিগী মনিংদা লৈবা মীতৈগী উয়োক চীং লোমদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ৬ লোম কাপশিল্লকখ্রে হায়রি। থৌদোক অসিদগী খুল ঙাকপশিংনসু নোংমৈ মরূ ১০ রোম কাপ্পদগী নাকল অনীমক্তা মখা তানা খূৎ থোক্লখিদ্রে হায়রি।

### চীং নীংখাইরকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):** ঙসি মণিপুরগী মফম অয়ান্বদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা নোং ঙাইহাক চুখিবদা এন ঐচ - ৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লন্বী পাকথোক্লবগী ককখিবা চীংগী শরুক খরা নীংখাইরকপদগী ঙাইহাক লন্বী থিংলুরে। থৌদোক অসি নোনে অমসুং অৱাং খুলগী মরক্তা লৈবা রাংখুং পার্ট ৱানগী মফম অমদা থোকখিবনি। অদুম ওইনমক এন ঐচ আই দি সী এলনা এক্সকাভেটরনচিংবা শীজিন্নদুনা চীংলৈবাক কোৎথোকপদগী অমুক হন্না লন্বী ফাওনখ্রে হায়রি।

### এক্স এম এল এ দ্বিজমনি বি জে পিদগী তাম্থোকখ্রে

**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):** কুমজা ২০২২গী মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেস টিকেট পীরক্তবদগী পার্টি অসিবু থাদোক্লম্লগা বি জে পিদা য়াওরকখিবা হিয়াংলম এ সীগী এক্স এম এল এ ওইবদা নত্তনা এ সী অসিগী বি জে পি মন্দলগী মরু ওইবা থৌপুবা অমসু ওইরিবা এলাংবম দ্বিজমনি ঙসি বি জে পিদগী চহী ৬ তাম্থোকখ্রে হায়না এজেন্সীগী পাউ অমনা হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### ককচীংগী ইলেক্সনদা দ্রোন

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১৯দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা মীখলদা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমমমদা দ্রোন ২/২ শীজিন্নবগী অয়াবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পীখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## লান হান্না লোইশিন্দ্রিবঙৈদা পাঙথোকপা মীখল শরুক য়ারোই : থৌবাল কৈথেল ফম্বীশিং



### ‘অমিট শাহনা নুমিৎ ১৫নি লৈরগা লাক্কনি হায়রম্লগা হৌজিক্তা ভোট নীবা লাকপসি মণিপুর মীয়াম্বু উশিত্তবনি’

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা লান অসি লোইদ্রিবা ফাওবা ইন্দিয়াগী মীখল অমত্তদা শরুক য়ারোই, লান হান্না লোইশিল্লু, মীখল কোন্না পাঙথোকউ হায়না থৌবাল কৈথেল পোৎফম ফম্বী ইমা ইবেলশিংনা ঙসি অমুবা রিবন শীজিন্নদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীখলদা শরুক য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা ‘ষ্টোপ ষ্টেট টেররিজম, মণিপুর ইজ সফরিং, মণিপুর ৱান্ট পিছ এন্দ প্রোসপরিটি’ হায়না থাবা পোষ্টর কয়া থৌবাল কৈথেলগী অকোয়বদা থেৎখিবগা লোয়ননা বৃটিশ লাক্ত্রিঙৈ মমাঙদগী লৈবাক অসি ঈং-তপ্পা লৈবাক ওইরম্লবসু ...মখা লমায় ৩ কলম...

### অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী মতম লোইশিনখ্রে

## চীংখোঙ চীংয়াদা খুল ঙাক্লিবশিং ভোট থাদবা য়াহনবীয়ু হায়না তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর য়াওনা থা অসিগী ১৯দা ভোট থাদনগদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্কদবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী ওইনা ভোট খোম্বগী মতম ঙসি নুংথিল পুং ৪ তারকপদা লোইশিনখ্রে।

অমরোমদা, থা অসিগী ১৯দা মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং পর্সনেলশিং ঙসিদগী হৌনা মাগী-মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা লমথাবা হৌখ্রে। মণিপুরগী ওইনা ইন্নর অমদি আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনী থোক্না লৈরবসু অহানবা তাঙ্কক অসিদা ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩২ অমদি আউটরগী মনুং চল্লিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ১৫গী ভোটরশিংনা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৭তগী হৌরদুনা নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা ভোট থাদনগনি। অদুগা লেমহৌরিবা আউটরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ১৩গীনা থা অসিগী ২৬তা ভোট থাদনগনি।

পনবা য়াবদি, অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা য়াওরিবা ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ৬না লন্বা তৌনরিবনি। মীরেপশিং অদুদি কোংগ্রেস অমসুং ৱাখল মান্নবা পার্টিশিংগী আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী কম্মন কেন্দিদেট ওইরিবা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম, বি জে পিগী টি ঐচ বসন্তকুমার, আর পি আই (অথৱালে) গী মহেশ্বর থৌনাওজম অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংদা আর কে সোমেন্দ্রো (কাইকু), ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## গাড়ীদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবশিং ফানবা হোৎনরি : চীফ মিনিষ্টর



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস) :** তাঙ্কক অনী থোক্না মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা থা অসিগী ১৫দা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা পুং অমা মখায়রোমগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাক্কুনা ভোট খোল্লম্লবা মতুং ঙরাং এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লন্বীদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ইম্ফাল তম্না থাও, গ্যাস অমদি অতৈ পোৎলমশিং পুরকপা ত্রকশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা দ্রাইভর অনী শোকহনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং ফানবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারখিবা চীফ মিনিষ্টরদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, নেসনল হায়ৱেদা পোৎ চৈ পুরিবা গাড়ীদা নোংমৈ কাপশিনবা হায়বসি চাওখত্তবা, মথোং হুক্তবা থবক্নি। টেররিষ্টশিংনা টেররিষ্টকী ওইবা থবক তৌরকপদা ষ্টেট অমদি সেন্টর ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ‘অসুক কুইনা তূমিন্না লৈরুরগা মীখল ময়াদা সেন্টর লৈঙাক্কী তৌবীমল উৎলসি হায়রক্লিবসি অঙকপা পোকই’

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনগদবা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা এসেমব্লি সেগমেন্টশিংদা লৈবা ভোটরশিংগী অপাম-পামদা লৌবগী রিপোর্ট মখা তানা চত্থরকপদা ঙসিসু ৱাঙ্খৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১৫/৪৪ (নোংমৈবুং) দগী ৱাঙ্খেরাকপম মায়পাক্না হায়, মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মীওই খুদিংমক অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা থা অসিগী ১৯ অমদি ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিবু মপূং ফানা শরুক য়ামিন্নসি। মমল য়াম্লবা চহী মঙাগী ভোটিং রাইট মাঙহনগুমসি। শুপ্নগী নোংমা নীনিগী মতম খক্তমক ঙাইশিল্লক্লবনা ঐখোয়গীদমক্তা পার্লিয়ামেন্টতা লাউবা ঙমগদবা মীদা ভোট থাদরসি হায়রকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হান্না লৈঙাক অসিগী এম পি অনী লৈনা লৈনা মণিপুরদা থোরক্লিবা ঈরাংশিং অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা ৱাহৈ অমা ফাওবা ফোঙদোকপা ঙমখিদে। ষ্টেট অমদি সেন্টরদা বি জে পিগী লৈঙাক চহী ১০ অমদি চহী ৭ মপূং ফাজিল্লক্লে। মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা কাঙলূপ অনীগী ঈরাংদা মীহাৎ মীপূন, মীশি মীনা কয়া অমা থোকখ্রে। থা ১১ হেল্লক্লবা ফাওবদা দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক্নি হায়রিবা লৈঙাকশিং অসিনা ৱারোইশিনগীদমক করি করম্বা খোঙথাং থাংলকখ্রবগে হংলকখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

*লোক সভা মীখল - ২০২৪দা মীয়ামগী হকথেংনবা পাউদম*



ৱাঙ্খেরাকপম মায়পাক








HL-B/8691/18